ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯥꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ১১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৮৪শুবা মশীং

## অচংমল পাশিলহৌব্রা

### তৌফম থোকপা চপ-চানা তৌহন্নীংই

হন্দক্কী চহী ২০২২দা পাঙথোকফম থোক্লবা মণিপুর, গোৱা, পঞ্জাব, উত্তরখণ্ড অমসুং উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি মীখলশিংগী মতম লাউথোকখ্রে। জন্যুৱারী ৮, ২০২২গী নুংথিল পুং ৩.৩০দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর সুসিল চন্দ্রনা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ফোর্মেল ওইনা লাউথোকখিবনি। মহাক্না ষ্টেট ৫গী অপূনবগী ওইনা লাউথোকখ্রবা মতুং মাগী মাগী ষ্টেটশিংগী ইলেক্টোরল ওফিসরশিংনসু অমুক ওফিসল ওইনা লাউথোকখ্রে। মণিপুরগীসু লম্ফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী ওফিসতা সী ঈ ও, রাজেস অগ্রাৱালনা লাউথোকখ্রে। ইলেক্সনগী সেদ্যুল লাউথোকপা মীকুপ্তগী মহৌশাদগী হৌনা চৎনরকপগুম মণিপুরদসু পাঙথোল্লুগদবা মীখলসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌখ্রে। লোয়ননা নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা লম্বীগী মেদিয়ন, লম্বী মপান, কোর্নর, লম্বী মপান্দা লৈবা য়ুম/দুকান্নচিংবগী নাকলদা অমসুং ফক্লাংদা থেৎলম্বা/য়ুংলম্বা ফিরাল/পোষ্টর/বেন্নরনচিংবা লৌথোকপা হৌখি। ইলেক্সন সেদ্যুল লাউথোরকপগা থবকশিংসি পন্থদনা পাঙথোরকখিবনি। অদুগা জন্যুৱারী ৪, ২০২২দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হপ্তা কাংজৈবুংদা পুং খরগী ওইনা লাক্লম্বদুগী মাঙওইননসু মরু ওইনা এয়রপোর্টতগী থৌরম পাঙথোকফম ফাওবগী মরক্তা লৈবা লম্বীদা থেৎচিন-য়ুংশিনবনচিংবা তৌরম্বশিংসু লৌথোকখি। পাঙথোকখ্রিবা খোঙথাং অনীগী থবকশিংদু তৌবা য়ারে হায়বগী অয়াবশিংগী মতুংইন্না তৌখিবা ঙাক্তনি। তৌসনু, ফৈ। হাকসু হাকমনখ্রবনি। পাঙথোল্লুগদবা মীখল অসিগী সেদ্যুল ফাওবা লাউথোক্ত্রিঙৈদা লম্বী লমজাও অমসুং লৈরক কোন্সাং পূম্নমক ফিরাল, পোষ্টর অমসুং বেন্নরনা চরোং য়ান্দুনা পীক থনবনি। মসিগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাওবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা ফাইল তৌরক্তুনা ৱাকৎনরকখিবনি। কোর্টনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনদা লৌথোকপদা অথিংবা লৈতে হায়দুনা খঙহল্লবা ফাওবদা লৌথোকপীনবা লৈখিদবনি।

অদুবু মতাংসিদা চোঙথোরক্লিবা ৱাহংসি য়ামখ্রবা ফ্লেগ, পোষ্টর, বেন্নরনচিংবশিং অসি লৌথোক্লুমদাইদা লৌথোক্কদৌরবা পোৎশিং অদুগী অচংমল মমল ইশিন্দুনা পাশিলহৌব্রা হায়বসিনি। মরমদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ষ্টেট মঙাগী পোল সেদ্যুলসি লাউথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা 'ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর' শিং মাঙজৌননা লাউথোকখ্রবনি। মমাঙগী মীখলশিংদা পোলিটিকেল পার্টি অমনা, কেন্দিদেট অমনা মীখলদা চাদিং তৌবা য়াবগী পীরম্বা চাং অদুদগী ফাওবা হেঙ্গৎহল্লগা লুপা লাখ অদুক্তগী হেনবা য়ারোই হায়দুনা খঙহল্লকখ্রবনি। হায়রিবসি লৈবাকসিগী এম পি অমসুং এম এল এশিংগী মীখল অনীমক্কীনি। অদুনদি হৌজিক লৌথোকখ্রিবা ময়ামদুগীসু অচংমল পাশিলহৌরগা মাগী মাগী মরী লৈনরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংগী এক্সপেন্দিচরশিংগী মনুংদা চলহনফম থোক্তব্রা হায়বনি। লৌথোকখ্রবদি লৌথোকখ্রে, মতুংদা লাকপনা কোন্না-কোন্নগী ৱানি হায়দুনা লৌরম্লগদি অচুম্বা অমসুং তৌফম থোকপা থৌশিল ওইরোই হায়নীংই। মরমদি লৌথোকখ্রিবা ফ্লেগ, পোষ্টর অমসুং বেন্নরশিং অদু খজিক-খরাক্কী নত্তে। ওন্থোক্লা য়ামখ্রবনি, শেল অঙাং নত্তে। অদুগা লৌথোকখ্রিবশিং অদুগী মনুংদনা রুল্লিং পার্টিশিংগীনা নম্না য়াওরিবনি। মরম অসিনা লৌথোকখ্রবা পোৎলমশিংদুগী মপু ওইরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংদুগী ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগী কালক্যুলেসনদা হাপচিনবীফম থোকই। মখোয় মশানা সবমিট তৌনরক্কদবা এক্সপেন্দিচরগী রিপোর্টসু হাপ্লক্তুনা য়াওরল্লব্রা নৎত্রগা য়াওরক্ত্রিবরা হায়বদুসু চেক তৌবা চুমগনি। হায়রিবা থবকশিংসি ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ওনা খূৎপায়নরিবা রুলশিংদুগী মতুংইন্না চপ চানা পাঙথোক্কদবনি। মসিসু মীখলসিগীদমক লৌখৎফম থোকপদগী লৌখৎলক্লিবা তঙাইফদবা থবকশিংদুগী মনুং চলহনগদবনি। অদুবু তৌগদবা থবকশিং অসিদদি অহোবা লৈহল্লগা চিন্দা খক্তা ইলেক্সনসি ফ্রি এন্দ ফেয়র ওইহনসি হায়বা খক্তনা ফংনীংলিবা পান্দমদু য়ৌনা ফংবা ঙম্লোই। মীখল হায়বসিদি এসেমব্লিগীবু ওইরবসু, পার্লিয়ামেন্টকীবু ওইরবসু লৈরম্বা টর্ম অমা লোইশিল্লক্তুনা মখোয়গী মহুৎ শিনবা অমা লিংনবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবনা পোলিটিকেল পার্টি অমবু ওইরো, অমবু ওইরো, রুল্লিংদা য়াওবা পার্টিদি শোয়দনা য়াওবা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱাফমনি। অদুনা ঈ সী আই নৎত্রগা সী ঈ ও, মণিপুরনা মীখলগীদমক পাঙথোক্তবা য়াদবা থবকশিং লৌখৎলকপদা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন হায়বগী শক-মায় য়েংদনা, য়োংলৈ-মেল্লৈ নাইদনা চুমদ্রিং তৌবা চুম্মী। তৌদ্রে হায়বা নত্তে। তৌরি, তৌরিবশিং অসিনা লোয়দ্রিবা ফাওবদি মনা-মনিল নাইদনা, মিৎ নারক্কদবা মওংদা তৌরকহন্নীংদে। ফ্রি এন্দ ফেয়র ইলেক্সন হায়বদু ওইহনসি হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) *''তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুন্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ৈ হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোন্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ''* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) ''**শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং**'' হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) *''ইচে বীনো''* হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) *''ফিমন খুনবা''* হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) *''মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও''* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## সনা লৈবাক্তা মীহাৎ লৈবাক মণিপুর ওন্থোরকপা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৮৭

**জিতেন নামৈরাকপম**

হন্দক মরক অসি ভোটলাই চুবা হায়বদি ভোটতা ঙাওজবা ময়াম অসিনা য়া য়া লাঙদুনতা লৈবা মরম্না ঐহাক্কী কোক অসি অতোপ্পা টোপিক অমদা খূৎ থাবা ঙমদ্রে। খোঙবী, খোঙনাওদগীনা চহী য়ামশিল্লক্লবা অহলশিং ফাওবদা ভোট লেপকনি চোঙথোরক্লিবা কেন্দিদেটশিংগী য়ূম য়ূমদা নৈশিন নৈশিন্দুনা লৈবা য়াওরি। নোংমা ঐনা ঐগা খঙনবা ভোটতি কন্না চেল্লি হায়না তাবা মীয়াই চল্লবা অমদা হংখি - ''কদায়দনো চৎলিবদুবো? ভোটতি থৱায় য়াওখ্রেদা।'' মাসু খুন্নম্মী - ''কৈসু নত্তেদা, অসিগী মখারোমগী কেন্দিদেটতো মঙোন্দগী নৈ নৈদুনা শুন্নগা চাথোক্কে, থক্তোক্কে তৌবনি।'' অমুক্কসু হায়রম্মী - 'ফাগি তৌবনিকো'।

মাগী ৱাদু ফাগিনি হায়জিনবগী ৱানি, অচুম্বদি য়াওরি। অদুবু হন্দক্কী ভোটসিদি ভোটতা অমনি। পুরা বেরানি। ভোট তৌগদবসু ৱাৎলিঙৈ মতম অসিদা নোংমৈনা কাপ্তুনা মী হাৎপগী থৌদোকশিং সেরিজ নাইনা চথরক্লি। অন্দ্রোদা নোংমৈ কাপ্নখি। য়ূম থুগায়বা, খৎন-চৈনবা, মীশি মীনা, অশোক অপন কয়া অমা থোকখি। অদুগা খ্বাইদগী হেন্না শাথীরিবা মফম্না হৈরোকনি। হৈরোক্কী পাউদি অমুক হন্না তমজররোই। হৈরোক পঞ্জবদা ময়াম্না অদুমক খঙবীরম্লগনি।

অঙকপগী চক হায়বদুদা মতারে। ঐনা ইজরিবা আর্টিকল অসিদা কনাগুম্বশিংনা ৱারৌবীরোই হায়জরি। অচুম্বদুখক ইজবনি তমজবনি। ভোটতি হৌদ্রি, লানদি হৌখ্রে। লান অসিবু কয়া য়াম্না ৱাৎলিগবা! মীওই খরনা হৌরক্লিবা লান অসি অমুক্তংদি খামজিনমিন্নসি কৈদৌবগে। অদুনা লান অসি মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা মখা তানা শন্দোরক্লে। ইমাইপেম্মা খংপ্রেক্তুম খংই। মণিপুরগী ইম্ফাল ময়োলদা খুবাক মর্কাগী ওফিসতা মীওই খরনা লাক্লগা লান্দারকখি হায়বগী পাউসু তাজখি। কনাগুম্বা ইবেম্মা অমনা ঐঙোন্দা হায়রকখিবনি। মখা অমুকসু তারকখি ''তামো হৈরোক্তা ঈংনা তপ্না লৈখ্রে তাজে। শান্তি ওইরম্লদ্রা খল্লি। মীশি মীনা য়াওখ্রবনিনা। অদুবু হুই হৌদোং চিক্লদ্রবা, ষণ ফাওবা ৱাইনদ্রবা মতম অসিদা ইংলিসতা লে মেন হায়ব্রা, মীওই কয়া অমা ভোটতা অচা অথক তৌদুনা লৈরিবশিংনা ঈরাং থোকহনবনি। চুম্মীকো, বি টি রোদতসু ঈরাং থোকহৌরে।

পাউ অসিনা মখা অসুম অসুম তারকপদা মণিপুরগী এ সী অয়াম্বদা মথং মথং শন্দোরক্তুনা লায়না ইপিদেমিক্কুম শন্দোরক্লে। হন্দক্কী থৌদোক অসিনা তাক্লি মদুদি মণিপুরদা থবক ফংদবা শুফম নোমফম খঙদবা, নোংমগী শেল শিকি অমফাও থোক্তবা, মীঙোন্দগী নিরগা চাবা মরাইবক থীবা নহা কয়া অমা লৈরে। মসি ঐ ইশাগী ৱাখলনি। হায়জরিবা অসি কনাগুম্বনা চাদা ৯৯ লাল্লি হায়রগসু ঐনদি ৱান থাউজন পার্সেন্ট চুম্মী হায়গনি। থাজদ্রগা অদোম অদোমগী লৈকায়, খুন, খুল্লক, ভিলেজশিং ৱা হৌবা হৌদবা লৌবুক লম্মাং কাচিন কোয়া, উরুম লাংবা মফম ওইবা য়াই য়েংবিয়ু। য়েংবদা নুংঙাইতবা ময়াম অমা তৌরমগনি। হন্দক্কী ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা হরাউবদা অমুক্তোইবা লোইরে। ঈথক ইপোম হৌরে।

মতাং অসিদা তামো য়ূমলেম্বম ইবোমচানা ইখিবা ৱারীমচা অমদা ইখিবা ৱাহৈ মতেক খরা নীংশিংলকই 'থবক ফংদে, নুপী ফংদে।' ঐনা অমুক মখা শমথনীংই - থবক ফংদে, শেল থোক্তে, হাৎলুচোরা, ফারুচোরা, পৈশা পীয়ু। মদুমক্লি হায়বা য়ারবজাৎনি হন্দক্কী ভোটকী মতাং অসিদা। য়েংবীয়ুনে, কয়াদা শাথীখ্রবনো নহানসু শামুরৌ অৱাং লৈকায়দা নোংমৈনা কাপশিল্লগা মীওই অমা হাৎলম্লে, অমসু শোক্লে হায়রি। অসিদসু নত্তে মোরেদসুনি মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। মতম অমদা, শ্রী ইবোবীগী মতমদা নোংঙানবগী পাউচেদা অসুম্না কাপ্তুনা হাৎলম্বগী পাউ নুংতিগী তাখিবনি। হৌজিক্লা অমুক বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক পায়রে। থম্বাল কাঙবুনা নুংতিগী লাউরি - চীং তমগী মরী নকশিন্নহল্লে। মীহাৎ মীপূন লৈত্রে। লো এন্দ ওর্দর ফরে হায়রি। হংজনীংবা ৱাহংনা, ভোটকী মীংদা সেরিজ নাইনা মী হাৎলিবসি লো এন্দ ওর্দর ফরে হায়বা য়াব্রা? হংবা য়াবা ৱাহংনি। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৫১

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মতম মতমশিংদা থোকখিবা অশেংবা থৌদোকশিংগী মরমদা ইরম্বা অরিবা লাইরিকশিংনা (পুয়াশিংনা) খুদম ওইরগা - ''কংলৈপাক/মণিপুর কৌবা ইরমদমসিদা পামহৈবা নিংথৌ সনা হাক্তক্তগী মীরম লাইনীং চৎনবা হৌরকখিবগী মতাংদা য়াম্না নুংঙাইবা তাঙ্কক অমা পৌরপ্না হায়রবদা পামহৈবা নিংথৌনা রমান্দি লাইনীংদা লাইমিং লৌবা মতমদা শান্তিদাস গোসাইনা নিংথৌগী লাইমিং গুরুনি। অদুগা অমুক্লা শ্যাংশিগী লান লোইরবা মতুং খৃ: ১৭৩৮গী কালেনগী ১৪নি পানবা থাংজ নুমিৎতা মনাও ইবেম্মা মাইবম চনু হিদাংশুংবীনা পোকপী তম্ফা ৱাংঙমলোন চম্পকলাতা অহেনবীবু শান্তিদাসতা লুহোংদুনা থাজরগা য়াংবিদ্রৌদা লৈবা গুরুগী ময়ূমদা থিনলুই। অসুম্না শান্তিদাস গোসাইসি পামহৈবা নিংথৌ মশাগী গুরু ওইবতা নত্তনা ইমুং-মনুং ঙাইশেন ওইখি।'' (নিংথৌরোল ইনোৎ - চেমায় ২৩৪)

মতাং অসিদা নৈননীংঙাই ওইরিবদি মপাবুং ওইরিবা পামহৈবা নিংথৌ মশাগী মীরম লাইনীং রামান্দিগী লাইমিং গুরু ওইরিবা মীশক্তুদা, মশাগী মচানুপীবু অমুক লুহোংদুনা থাজরগা মমাক নুপা ওইশিনবগা লোয়ননা পুন্না লমদমসিদা মীরম লাইনীং শন্দোক্তুনা চৎনহনবা হৌখিবসি - মালেমগী ওইনা লৈরিবা করম্বা লাইনীংদা মসিগা মান্নবা লৈব্রা? মতমদুদদি কংলৈপাক্কী মীচম মীয়াম্না হাৎকে তুপকে ঙম্বা, তৌনীংবতা তৌবগী ৱাখল, মীরমচানবু হায়রবদি লোইরে খন্দুনা, ইপু মায়চৌ খোংনাং থাবনা হায়বা তাকপদা মৱা লৌদনা মায়চৌ লোইশঙদগী ফাওবা মাইবা লোইশঙদা থাক হন্থনা থম্বদা করিসু খন্থখিদ্রবা মতমদুদা কনানা ফৈ ফত্তে, চুমই চুমদে হায়বা ঙমলুনি। অদুদগী ইরায় লায়না মীরম লাইনীংগী মীখা পোনবা হৌখিবনি হায়বসি মতমদুদা খঙখ্রবা মতুংদা খা চিক্লা য়ানীংদনা খাংদুনা লৈরকখিবা কয়াদুগী চাদা নাউদাশিংনা করম্বা মতমদা ঈনাৎ লাইনীং হিঙ্গৎহনসিগে হায়বা ৱাখলসিনা লাইনীং ওইদুনা লাকখিবা কয়া অমসু খুন্নাইসিদা শাফোঙলকখিবসিনি। শান্তিদাস মহাক মশানা শন্দোক্লিংলিবা লাইনীংদুগী গুরু অমা ওইরগা ফজবা লিচৎ ঙাক্লা চৎখিদদনা য়েলহৌমীগী চনু নিংঙোল লৌরগা চারৌ মৌরৌনবা পামখিবসিনা কাইনথংদা করি অকায়বা থোরক্কদগে/ওইরক্কদগে খন্থবা ঙমখিদবদগী ঙসিগী খুন্নাইদা চয়েৎনহনবা ফীভমসি ওইহন্নবা থৌরাংলম্বনি হায়রোইদ্রা?

অমুকসু, পামহৈবা নিংথৌগী মশু ইবুংঙো চীংথংখোম্বা নিংথৌগী সনা হাক্তক্তা নিংথৌ মশামক্লা পোকপা তম্ফা ৱাংঙমলোন বিম্বাবতিবু খূৎশেমগী লাই ওলহনবা য়াবা হৌনব্রা? থৌদোক খরদগী ফান্দোং চীং/কাইনাদা হৌবা থৈবোং পান্বী অমা য়াল্লগা/মরূ ফুক্লগা চহী কয়া মতম চংনা কংহল্লবা মতুংদা শাবা উকংগী লাই দোরুদ মুর্ত্তি মরোল থোক্তববু মরোল মরী থোকহল্লগা খূৎশেমগী লাই ওলহল্লবী মচানুপীবু লাই ওংবী ওইহল্লগা মিংলেন অমা হোংলগা মীরমগী লাইনীং অনৌবা অমা ওইনা শাফোংনবা হোৎনবদা মরোল থোক্তবা থৈবোংদগী শাবা লাইগা নমু তাইবঙ মীওইবগী মপোক্তা নুপীজা ওইনা পোকপীগা নুংশি নুংওলগী ৱারী শানৈ হায়বসি কদায় ফাওবা থিজিন লৌশিং (সাইন্স) না থিজিনবদা ওইথোকপা য়াব্রা হায়বসি খন্ননীংঙাই ওইরোইদ্রা হায়বসিনি। (মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা - রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, খোমজিনবা - লমাবম গোজেন্দ্র - চেমায় ২৮)।

অদুনা মীরম লাইনীং শন্দোক্লবা/পামহন্নবা হোৎনবদা মখল মখাগী লাল্লোং/শক্লোন লৌখিবা মবুধৌ অমদি মশু ইবুংঙো অনীগী মরমচৎকী মরমদা কুপ্না নৈনফম থোকই। 'মতিক মথৌনাশিংগী মপান্না মৈদিংঙুশিংনা পানখিবা মতমশিংদা লান্তাখিবা মতমদুগী লৈবাক মচাশিংদা/ফুরুপশিংদা লান্তাদুনা লমখৈ পাকথোক চাওথোকহনবা ঙমখিবগুম মীরমচাশিংনা খূৎলায় য়াওদনা মীরম লাইনীং শন্দোকনীংবগী ৱাখলগা লোয়ননা অরোনবা লাল্লোং চথরকপা মতমদা ঙাকথোকপা ঙমদনা মশাগী লৈজরম্বা মহি ময়াই চমখিবসিনা মরী লৈনবা মৈদিংঙুশিংবু হৌজিক্কী খুন্নাইনা পাংদবা/অয়ম্বা মীশকশিং ওইনা ফিদা পিফম থোকপদা ওন্ন-তৈনবা ওইনা পীদুনা লৈরে। মরমদি মতমশিংদুদদি ইরমদমসি হীরম খুদিংদা মীপান তাংদনা হিংবা য়ারিঙৈনি। মথৌ তারকপদা অৱাৎ অপা মতেং পাংনরগা পূন্না চাওখৎমিন্নবা মীওইবা খুন্নাই অমা নাকল অনীদা পুরকমিন্নবা হায়বসিদি অমনা অমগী মীখা পোনবা নত্তে। অদুবু পামহৈবা নিংথৌ অমদি মাগী মশু ইবুংঙো চীংথং খোম্বা মখোয় অনীনা তৌখিবদুদি মীরম লাইনীংগী মীখা পোনবদা মখোয় মশাশিংনা য়াজখিবদুগীদমকনি। মরম অসিনা মৈদিংঙুশিংবু ইকায় খুম্নফম থোক্তে হায়বসি হায়বনা ৱাৎলবনি। অমুকসু করিগী হায়বদা ইশাগী ইরোল ইয়েক, লাইনীং লাইশোন, নিংথিবা লিচৎ হৌরকলোন্দগী লৈরকপবু মৈদিংঙুশিংনা মীরম লাইনীংগী মীখা থাবা/পোনবা পামজখিবদগী, হৌজিক্তনা মীরম লাইনীংগী মীখা থাবা পামজবশিংনা মীখা থাবদা হরাওজরিবসিদি, মখোয়শিংগীদি মতিন মরাইনি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### হিংমিন্নসি নুংশিননা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা অহিংবশিংগী মরক্তা তাইবঙ মীওইবা কৌবা খুন্নাই অসিনা খ্বাইদগী অথোইবনি। খ্বাইদগী অথোইবা ওইরিবগী মরমদি মীওইবশিং অমগা অমগা লোল ফাওনবা ঙম্বা নৎত্রগা খুদমনা চাংদম্না, ইঙ্গিৎনা পাও ফাওনবা ঙমবদগীনি। মসিনা মরম ওইরগা অৱাবা নুংঙাইবা, নুংশিনবা পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা লিংজেল মান্নবা ঙমখিবদগী তাইবঙপাল অসিগী অহিংবা পূম্নমক্তগী মঙাল লৈনা থৌনা ফনা হিংদুনা লৈরম্লিবনি। অদুবু কনাগুম্বা কনাগুম্বী খরনদি ৱা ঙাঙবদা লৈতোলদা শরু পান্দে মতাগুম ঙাঙনীংবা, হায়নীংবা থক খা য়েংদবীদা হায়নি হায়রোই খঙদবগী লিচৎ চৎপা মীওই কয়া লৈতবা নত্তে। মখোয়গুম্বসিনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা চাউনা য়েংথিনহনবগা লোয়ননা খুন্নাইবু লৈখা তাহনবা ওইনা থোকহল্লি।

পূম্নমকসি মীশক অদুগী নাপলগী ময়াইদগী ওইহনখিবা ওইবনা অদুগুম্বা নাপলগী হৈনবী লমচৎতু চৎতনবা চুমথোকনীংবা কনাগুম্বা অমনা তাক্লুবদা ওনশিল্লক্তুনা য়েক্লবা শেম্বা ওইনা থোকখিবা য়াই খনখিবনা মঙোন্দগী লাপথোক্লা লৈননবা হোৎনৈ।

ঙসিদি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মোবাইল ফোন পুথোক্লকপদগীদি অসিগুম্বা মীওইশিংগী মফমদদি অমুক্তা হেন্না মথৌ হাপ্পগুম থোক্লদুনা শক্তা শক্তা উনবা ফাওবদা অফবা ৱাহৈ অমা ফাওবা তাবা ফংদ্রবদা শক উনদবা মোবাইল ফোনদদি পাউ ফাওনবা অমসুং ৱারী শানবা মতমদদি মালেমসিদা ঐনা মহেল্লে খনবগী মওংদা অচৌ অচৌবা ৱাজাওনা মচিন্দগী কামথোরকপদা অতাবা কনাগুম্বা অমগী মফমদদি থম্মোয় ফুকনা শাওনীংবা পোকপা য়াওদবা নত্তে। মীওইবগী চিনদগী হেন্না থুম্বা অমসুং খাবা লৈতে হায়বসি খঙদবা অসিগুম্বা মীওই কয়া অমা লৈবনা ঙসিদি নাতৈ চাদবা ৱাহৈ পরেং অমনা শাংলবা পুন্সিগী তাংকক ফাওবা থরুম তৌনদুনা মতম শাংনা তিন্নদুনা লোয়নরকপা কয়া পুন্সি চুপ্পা য়েক্লবা ওইনখিবা য়াওদবা নত্তে।

মরম অসিনা অনৌবা চহীচা ২০২২ লাকপদগীদি ঐখোয় পূম্নমক নাপলগী অচাওরম থাদোকমীন্নদুনা য়েক্লবা ওইনা লৈমিন্নরম্বশিং মরুপ ওইনা লেনমিন্নদুনা মীওইবা খুন্নাই খক নত্তনা থৱায় পানবা লেংলি পাল্লিবা অহিংবা পূম্নমক নুংশিনবগী মরী থম্মীন্নদুনা অশিবা মচা ঙাক্তনি নীংশিংমিন্নদুনা পূন্না নুংশিনা হিংমিন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নবা চুমগনি।

*অদোমগী - এল ইবোমচা, তাওথোং*